**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-05-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লোক সভা মীখলগী ৬ শুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ হয়েং থাদনবা শেম শারে।

২) ছত্তিসগরগী বাস্তর দিভিজনদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা মাওইষ্টকী মীওই ৭ শিরে।

অমসুং

৩) মোবাইল কন্নেক্সন লাখ ৬ লিশিং ৮০ রোমদি শাশিন্নবনি হায়বা টেলিকম্ম্যুনিকেসন বিভাগনা খঙবা ঙমলে।

------

মীখল ঃ লোক সভা মাখলগী ৬ শুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ হয়েং থাদনবা শেম শারে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৮ গী লোক সভা কেন্দ্র ৫৮ দা মীখল পাঙথোক্কনি। ভোৎ থাদনবা অয়ুক পুং ৭ তগী হৌরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তা লোইশিনগনি।

তাঙ্কক অসিদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা সিটশিংগী মনুংদা- বিহারগী ৮, হরিয়ানা সিট ১০ মক, জম্মু কাশ্মীরগী সিট ১, ঝারখন্দগী ৪, দিল্লিগী সিট ৭ মক, উরিষাগী ৬, উত্তর প্রদেশকী ১৪ অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাগী ৮ য়াওরি।

ঙরাং তাঙ্কক অসিগী মীখলগী ভোৎ খোন্থগী অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিং অমদি ষ্টার কেম্পেন্নর কয়ানা ভোৎ খোন্থগী থবক কন্না চথুখি।

প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা হরিয়ানাগী মহেন্দ্রগরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংখি। ঙসি শ্রী মোদি নোংমগী খোঙচৎতা হিমাচল প্রদেশ পাংগনি। খোঙচৎ অসিদা মহাকা নহান অমসুং মন্দিদা পাঙথোকপা বি.জে.পিগী বিজয় সংকল্প রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংগনি।

হান্নগী কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিসু থা অসিগী ২৬ নহান অমসুং উনাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি। কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগেনা হয়েং সিম্লাগী রোহরুদা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংগনি।

গৃহ মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবা অমিত সাহসু ঙরাং সিদার্থনাগর অমসুং অম্বেদকরনাগরদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীতিনদা দল অসিগী মীরেপশিংগীদমক ভোৎ খোমখি। শ্রী সাহ ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পাটনাদা থুংখি। মহাকা দলগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং হান্নগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি শুশিল কুমার মোদিগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎখি। ঙসি মহাকা আরা লোক সভা কেন্দ্রদা ভোৎ খোমগনি।

সমাজৱাদি পার্তিগী মকোক অখিলেস যাদবনা প্রতাপগরদা অদুগা বি.এস.পিগী মকোক ময়াবাতিনা মিরজাপুরদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি।

হিমাচল প্রদেশতা মথং থাগী ১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

উত্তর প্রদেশতসু তাঙ্কক অসিগীদমক ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জগৎ প্রকাশ নদ্দানা ঙসি কুসিনাগর, বালিয়া অমসুং সোনভদ্র জিলাশিংদা অদুগা রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যনাথনা মহরাজগঞ্জ, কুসিনাগর, বেবরিয়া অমসুং গোরাখপুরদা মীখলগী ভোৎ খোমগনি।

কংগ্রেসকী মচিন চৎপা মীশক অভৈ দুবে অমসুং দলগী মিদিয়া ইনচার্জ সি.পি. রাইনা বরানাসিদা দলগী মীরেপ ওইরিবা আজয় রাইগী ভোৎ খোমদুনা পাউগী মীফম অমদা শরুক য়াগনি।

পুলিস (এল)ঃ  রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথ্বরি।

রাজ্যগী পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিগী ফিভম মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমখি। থা অসিগী ২১ দা ইম্ফালগী লাঙ্গোলদা লৈবা এন.আই.টি অমসুং মসিগী অকোইবা মফমশিংদগী য়ুম কৈ শাবগী পোৎলমশিং হুরান চিনথি তৌবা মীওই ১৫ পুলিসনা ফাখি। নেসনেল হাইৱে অনিদা অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা তঙাইফদনা চংবা পোৎলম কয়াসু পুশিল্লকখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

চান্দেল (এল)ঃ  চান্দেল জিলাগী ওইনা লোক সভা মীখলগী ভোৎ মশিং থীবদা মথৌ তৌগদবা এজেন্টশিংনা মথৌ তৌবদা চংগদবা মরী লৈনবা চে চাংশিং জিলা অসিগী দি.সি. ওফিসতা থা অসিগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলকবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা খঙহল্লক্লি। মথং থাগী ৪ গী অয়ুক পুং ৮ দগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টিপরপজ হোলদা ভোৎ মশিং থীবা হৌগনি।

মাওইষ্ট ঃ  ছত্তিসগরগী বাস্তর দিভিজনদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা মাওইষ্টকী মীওই ৭ শিরে।

পুলিসকী পাউনা হায়- খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু ঙরাং নরায়নপুর অমদি দান্তেৱারা জিলাগী লোন্নবা ঙমখৈগী শরুক্তা থোকখিবনি।  অবুসামতকী উমংদা মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বা ইন্তেলিজেন্সকী অককবা পাউ অমা ফংবদগী দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দ, বাস্তর ফাইতর অমদি স্পেসিয়েল টাক্স ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা মফম অদুদা থিবা হুন্বগী থবক চথখি। মদুদা উমংদা লোৎতুনা লৈরম্বা মাওইষ্টকী মীওইশিংনা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনিগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোকখি। খুৎ থোকবা অদুদা মাওইষ্টকী মীওই ৭ অদু শিখিবনি। মফম অদুদগী য়াল্লবা খুৎশু খুলায়সু ফাগৎলে হায়রি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী লুচিংবশিংনা হান্নদি লৈবাক খুদিংমকপু চপ মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংবগী থৌওংদা থাজবা থম্লম্মি। অদুবু মহাকা মালেমগী লৈবাকশিংগা মরী হেন্না নকশিন্নহল্লে।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং মিদিয়া চেন্নেল অমনা শিনবা সলাম ইন্দিয়া কৌবা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

টেলিকোম ঃ টেলিকম্যুনিকেসন বিভাগনা ঙরাং মোবাইল কন্নেক্সন লাখ ৬ লিশিং ৮০ রোম শাশিন্নবা অমদি চৎনবা য়াদবনি হায়বা খঙবা ঙমলে। ওপরেতরশিংনা হায়রিবা মোবাইল নম্বরশিং অসি খুদক্তা অমুক হন্না ভেরিফিকেসন তৌনবা দিপার্টমেন্ট অসিনা খঙহনখ্রে।

টেলিকম্যুনিকেসন সার্ভিস প্রোভাইদর খুদিংমকা নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা অসিগুম্বা কন্নেক্সনশিং অসি শুকশোই শোইদনা ভেরিফাইদ তৌগদবনি। মসি তৌদবা মোবাইল নম্বরশিং অদু দিসকনেক্ট তৌরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা হায়রি।

শঞ্জয় ঃ ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং সেক্রেটরি শঞ্জয় জাজ্না হায়রি- এনিমেসন অমসুং ভিজ্য়েল ইফেক্টকী মতাংদা নহারোলশিংদা ত্রেনিং পীনবগীদমক নেসনেল সেন্তর ওফ এক্সেলেন্সনা শেম শারে।

চেন্নাইদা ঙরাং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী শঞ্জয়না হায়- লুপা কোতি লাখ ৩ লোমগী ওইরিবা ফিলম পুথোকপগী উদ্যোগ অসিনা মতমগা চুনরবা তোঙান তোঙানবা টেকিকশিং খঙজিনবা তঙাইফদে। মহাকা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিংগী মিদিয়া হেদশিংগসু ৱা খন্নখি অমসুং মন্ত্রালয় অসিগী থৌরাংশিং অসি থবক্তা ওন্থোকবগী রোড মেপ অমা শেম শানবা হায়খি।

হিট ৱেভ ঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ খরনিদি লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা অমসুং ময়াই থংবা শরুক্তা কা হেন্না শাখিগনি। মসিনা মরম ওইদুনা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি-মরিনি অসি বিভাগ অসিনা রাজস্থানগী অৱাং থংবা শরুক,

উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর অমসুং দিল্লিদা রেড এলার্ট লাউথোক্লুনা লাক্লি। অসামদা হয়েং ফাওবদি কা হেন্না শাবগা লোয়ননা নুংশিৎতা ঈশিং মনিল চাং ৱাংনা য়াওগনি হায়রি। মরক অসিদা তামিলনাদু, পুদুচেরি অমসুং করাইকালদা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা চথ্নরকখিবা চহি ১৫ মখাগী ৬৩ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সুব্রোতো ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪ ঙরাং লোইশিনখ্রে। লাংজিং আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফাইনেলদা প্রিন্সটন ইন্তরনেসনেল স্কুলনা য়ং পাইওনর একাদমিবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা তুরনামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ইন্দিয়াগী ফোর্সশিংনা কুকিশিং প্রোক্সি ৱারদা শিজিন্নে হায়বা এন.এস.সি.এন(আই.এম)গী ৱাফম, মণিপুরদা মে ২৬-২৭ তা নোং কন্না চুগনি হায়বা অমসুং সাইক্লোন রিমেল মে ২৭ তা খা থংবা মণিপুরদা য়ৌরক্লবা য়াই হায়বা পাউশিং অসিনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

ইন্দিয়াগী ডমং চাদা ৬০ হেন্না মাংখ্রবা ষ্টেট মঙা খনগৎপদা মণিপুর য়াওরে হায়না কলর হেদলাইন তৌদুনা, চহি ২২ গী মনুংদা মণিপুরদা উমং হেক্তর লাখ ২.৪০ হেন্না মাংখ্রে হায়বা রিপোর্ট সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্দিয়ান আর্মিনা ম্যান্মারগী মিলিটেন্টশিং শিজিন্নরগা মণিপুরদা প্রোক্সি ৱার চথ্নরে, কে.এন.এ-বি অমসুং পি.দি.এফতা লানগী খুৎলায় সপ্লাই তৌরে, বোম শাবগী ট্রেনিং পীরে হায়বা এন.এস.সি.এন (আই.এম)গী ৱাফম মণিপুর নিউজদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ নহারোলগী থৌদাংদসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর কেমিষ্ট এন্দ ড্রগীষ্ট এসোসিয়েসন (এম.সি.দি.এ)না ফোংদোরকপা ড্রগ লান্না শিজিন্নরকপনা ফারমাসিশিংনা হিদাক য়োনবা কিনরে হায়বা ৱাফম ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

আইনগী ৱাংমদা লাইফ সেভিং ড্রগশিং করবার তৌরকপনা অনাবশিংদা হিদাক ফংহনবা ঙমদ্রে হায়বা এম.সি.দি.এগী ৱাফম পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- সাইক্লোন রিমেল লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মণিপুরদা য়ৌরক্লবা য়াই হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- মণিপুরদা মে ২৬-২৭ তা নোং কন্না চুগনি হায়বা মেট দিপার্টমেন্টকী ৱাফম অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদনা- নোনে জিলাদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ য়ৌরে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি অমসুং জিলা অসিদা অহানবা ওইনা প্রাইভেট হোস্পিতাল হাংদোকখিবগী পাউ মোর্নিং বেলদা হেদলাইন তৌরি।

লোক সভা মীখল অসি লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসি অমসুং কন্সটিট্যুসন কন্নবা মরুওইবা ইলেক্সননি হায়বা সোনিয়া গান্ধিনা ফোংদোরকপা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- এন.আই.টি ইন্সটিট্যুটতগী পোৎ চৈ হুরানবদা চেন্নবা মীওই ১৫ ফাবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- ইন্দিয়াগী ফোর্সনা ম্যান্মারগী মিলিটেন্টশিং মণিপুরদা প্রোক্সি ৱারদা শিজিন্নে হায়বা এন.এস.সি.এন (আই.এম)না ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতা- নোনে জিলাগী অহানবা প্রাইভেট হোস্পিতাল, মকাম হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুট লোংমাই বজারদা হাংদোকখিবগী পাউ হেদলাইন তৌরি ।

------